# ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা লীবিরম্বা ফুঙ্গা ৱারীদা উচেক লাংমৈদোং

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*হা উচেক লাংমৈদোং*
*ইচা ইবেম্মা য়াওরিবরো?*
*য়াওদে য়াওদে*
*তুংদা তুংদা তুংখমদা*
*হৈকক য়েল্লী চাহৌই*
*কৌবা লৈহী থকহৌই*

মতম অমদা য়াম্না পামজনা তাখিবা ৱারীনি। তূম্লগে হায়দুনা ফমুংদা হেক কাখৎপগা ৱারী লীবিয়ু হায়দুনা ইমাদা নীংঙাই তৌখি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগীনি হায়বা য়াই ইমানা ৱারী মখল মখল লীবীখিবদু। নোক্লিংবা, নুংশিবা, কপ্লিংবা পোকহনবা ৱারী মখল মথেলনি। হায়রিবশিংদুগী মনুংদা মচিন মনাও থবী হেকপগী ৱারীদো ওস্থোক্লা নুংশিবা থৱায়সিবু প্রোক প্রোক চাকহনবা ৱারী ওইখি। থম্মোয় শোক্লা কপচখিবনি। উচেক লাংমৈদোং হায়বদু কমদৌবজাৎনো, মখোয়গী মরক্তা তিনখ্রবী মচেদুবু (মমিং পনবীরমদবনা থমজদ্রে) সুংয়াওমক য়াওরক্লরোইদ্রা হায়বা ৱাখলসিদা অদুক্কী মতিক নুংনাংহনখিবনি। অসুম্না খনখি, ৱারৌবনা হেনমনখিবনা উচেক লাংমৈদোং ওনখ্রবীদো অপোকপা মপাগা অমুক্তং উনজরবদিকো হায়না। খনজরুবৈ ৱাখক্তনি ৱারী পরিং মতুংইন্নদি মহাক অমুক হল্লকখিদ্রে তাইবঙ চীঞ্জাক চারখিদ্রে।

থায়না মমাঙঙৈদা মচিন মনাও অনী লৈরম্মী। মপা অদুনা লংফৈ চৎখ্রিঙৈদা নোংমা মচিন মনাও অনীনা থবী হেকপা চৎলম্মী। তুরেল অমগী মপান্দা হৌবা উপান অমদা মরী য়েত্তুনা উতোন্দা পাল্লিবা থবী অদু হেক্কে হায়রবদি উ অদু কাবা তারম্মী। মচে অদুদি উ কাবা ঙমদবা মরম্না মনাওনুপী অদুনা উ অদু কারম্মী। মহাক্লা উথক্কী উসা কারক্তা ফম্লগা থবী অদু চারম্মী। মদু উবদা চানীংবনা মতিন চুম্লবী মচেদুনা অসুম্না হায়রম্মী-

"ইনাও, ঐগীসু থবী অমত্তং থাদরকও।"

মচেগী ৱাদু তাবদা মনাও নুপী অদুনা থওই উশিত্তবা লমথোই লমহেনবী মতৌ উত্তুনা ময়ানা কক কক চিক্লগা চাখিবগী অরেম্বা চুখাক অদু থাদরকখি। মদুদা মচেনা অসুম্না হায়রকখি -

"ইনাও, নয়ানা চিক্তবা অফবা থবী অমত্তং থাদরকউ।"

মচেনা হায়রিবা ৱাদু মনাও নুপী অদুনা থওই ৱাওইনা তারমদে। হান্না তৌবগুম্না ময়ানা চিক্ল-চিক্লগা থাদরকখি। কাইনথংদা মচেনা থবী হেক্লনু মাসু চানীংদ্রে হায়বদগী মনাও নুপীদু উথক্তগী কূমথরকখি। মখোয় অনী তুরেল অদুদা ইরুজরম্মী। মতম অদুদা মনাও নুপীদুনা শরেং উমাইবী শান্নসি হায়না নিংঙাই তৌরম্মী। মচেনদি শরেংনা য়োৎখিনি শান্নরোয়সি হায়দুনা য়ারমদে। অদুবু মনাও নুপীগী নিংঙাই চকৃ খাঙবা ঙমদবদগী শরেং উমাইবী মশান্না শান্নরম্মী। মনাও নুপী অদুবু ফৈবম্নূনা মখূৎ অনীদা হাপ্লগা অসুম্না শৈথারম্মী...

***হা শরেং উমাইবী কৌশীংনসু পনগনু কৌরাংনসু পনগনু, কূৎ হেক য়োৎথখ্রো***

অসুম্না হায়রগা ঈশিংদা চূপ লূপশিল্লম্মী। মনাও নুপীনা শান্নবা অদু তোক্লসি হায়বা য়াদবদগী হন্না হন্না শান্নরম্মী। কাইনথংদা ঈশিংদা হেক লূপশিনবগা মনাও নুপীদু মখূত্তগী নাম্থোকখিবগা লোয়ননা শরেং অমনা য়োৎশিনখিরম্মী। মমানা ফূবীরদ্রা হায়না কিজরবী মচে অদুনা ময়ূমদা হল্লকপা মতমদা মমাদি লোং খোনবা চৎখিবনা লৈরমদে। নাকল অমরোমদা মমানা লোং খোনবদা শরেং অদু য়াওরক্লম্মী। য়াম্না ৱানা শরেং অদু চিংখৎলগা তুরেল লৈরাইদা থম্লম্মী। শরেংগী মবুক মনুংদগী ইমা ইমা হায়না কৌরকপদু তাবদা অঙকপা অকি তুজুংবগা লোয়ননা থাঙ অমনা মবুক অদু লেনখায়রম্মী। মতম অদুদা মচানুপী অতোম্বী অদু ফন চোঙথোরক্লম্মী। মচেনা মাবু শরেং মখয়াত্তা লংশিল্লম্বগী মওংদা শেমজিনবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা কপ্লগা পাউ তম্লম্মী। মদু তাবদা মমা অদু শাউবনা মৈ হৌরম্মী। অদুগুম্বা থবক অদু মতুং অমুক হন্না তৌদনবা অকনবা চৈরাক পীগে হায়না মবূক্লিংদা চপ য়ুংনা লেপ্লম্মী। ময়ূমদা হল্লক্লগা মচে অদু মমানা ফূবীবগা লোয়ননা মপান্দা ইম্থোক্তুনা থম্লম্মী। শরেং অদু থোংলগা মমা মচা হাউনা চারবা মতুংদা নুংঙাইনা তূমথোক্লম্মী। মচেদি অহিং অদু কপ্পা কপ্পা লেল্লম্মী। নোংঙাল্লকপা মতমদা শরেং থোংবা ঙারেন অদু মচেগী মনাক্তা পুথোক্লগা মনাও অদুনা চরা ৱাল্লম্মী। নুমিদাংদগী চারক্তবা মরম্না চাক লাম্লবী মচেনা অসুম্না হায়রকখি-

"ইনাও ঐ চাক য়াম্না লাল্লে, খজিক্তং চাগে।" মচেনা হায়বা ৱাদু মনাও নুপীনা মমাদা তাক্লম্মী। মতম অদুদা মমানা ইমুংদগী অসুম্না হায়রক্লম্মী-

"তেংকোত্তুনা মকোক্তুদা কোক হেক থাজিল্লু।" মমানা হায়বা মতুংইন্না মনাও নুপীনা তেংকোৎ অদু থাংগৎলগা মচেগী মকোক্তা থাজিল্লম্মী। নুংথিলগী মতম ওইরক্লবদা মনাও নুপীদু মমাগা লোয়ননা লৈকায় কোয়বা চৎখ্রে। মচেনা মথ্বায় নুংঙাইতনা শুমাংদা লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা উচেক লাংমৈদোং শঙ্গু অমা অতিয়াদা পাইরক্লম্মী। মখোয়বু উবদা মচেনা নোংদোনথক্তা য়েংখৎলগা অসুম্না হায়জরম্মী-

"হাদ উচেক লাংমৈদোংশা, নতু খরা খরা থাদবীরম্মো, ঐসু নখোয়গী নরক্তা তিঞ্জরগে।" মহাক্লা হায়জবদু তাবীরদুনা উচেকশিংনা মতু খিকথবীরকখি। উচেক মতুশিং অদু খুঞ্জিল্লগা মশাদা তূশিল্লম্মী। মদুগী মতুংদা মহাকসু উচেক লাংমৈদোংশিংগা পাইমিন্নখ্রে। মমা মচানা হলকলক্লবা মতুংদা মচে অদু উচেক মরক্তা তিনখ্রে হায়বা খঙবগা লোয়ননা মথ্বায় য়াম্না নুংঙাইরমদে। মাবু ওৎপী নৈবীখিবীদু খল্লুরগা মমাসু মনাওনুপীসু নীংঙমদবা পোক্লম্মী। মতম খরগী মতুংদা মপাসু লংফৈদগী হল্লক্লম্মী। নুংঙাইতবা ৱারীদু তাবদা মহাক থম্মোয় শোক্লম্মী। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী মাগী নুপীগা লোয়ননা শুমাংদা থোক্লগা মচা য়াওরিব্রা হায়না অতিয়াদা পাইরকপা উচেক লাংমৈদোং শঙ্গুদা হংলম্মী। অদুবু মচা অদুদি য়াওরক্তবনা য়াম্না চাক্লা নুমিৎ খুদিংগী ঙাইজখি। ঙাইজৈ হায়দুঙায় ঙাইজমল করিসু ফংখিদে। অসুম্না মচে অদু অমুক হন্না উবা ফংখিদ্রে।

অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা তাখিবা ৱারী অদু মমল য়াম্লবা ফুঙ্গা ৱারীনি হায়বসি খঙখিদে। ঙসিদি খঙলকই, অঙাংশিংবু তাথী তাওইনা তৌবীদনবা ইপা ইপুশিংনা পাউজেল পীবিরিবা ৱারীনি। অমরোমদা মীওইবগা উচেক ৱায়াশিংগা লৈনরিবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অদু উৎপনি। ৱারী অসি তারুবদা কনা করম্বা মীওইনা উচেক লাংমৈদোংবু মাঙহন তাকহনগে হায়বগী ৱাখল করম্না পোক্কনি? উচেক লাংমৈদোং হাৎপা য়ারোই হায়না থিংখিবদি চহী মঙাখক্তমক ঙায়রি। ৱারীসিনা তাক্লি - ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা উচেক অসিবু কন্ননবা হোৎনরকখিবদি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগীনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরী ফিল্ম চাওখৎহনবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরী ফিল্মবু মীয়ামদা ইহান হান্না য়েংহনবা হৌখিবসি ব্লেক এন্দ হ্বাইটতা কুমজা ১৯৭২গী এপ্রিল ৯দা ইম্ফালদা লৈবা উষা সিনেমা, ফ্রেন্দস টোকিজ অমসুং ককচীংগী অজাদ সিনেমা হোলদা রিলিজ তৌখিবা দেবকুমার বোজনা দিরেক্সন পীবা অদুগা অরাম্বম সমরেন্দ্রনা ৱারী ইবা অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম 'মতমগী মণিপুর' না ওইখি। অসুম্না হৌরকখিবসিনা মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎ অসি চহীসিগী হৌখিবা এপ্রিল ৯দা চহী ৫০ মপূং ফাখ্রে। 'মতমগী মণিপুর' না রিলিজ তৌখিবা নুমিৎ অসিবু 'মমিগী নুমিৎ' (মণিপুরী ফিল্মগী নুমিৎ) হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোকপসু হৌরকখ্রে। চহী ফনদি য়াম্না মণিপুরী ফিল্মগী ইহৌ অসি লাক্লগসু ঙসি ফাওবা মালেমগী মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা খঙনবা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি ওইবা ঙমদ্রি।

মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিল্ম ফেষ্টিবেলশিংদা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম, শোর্ট ফিল্ম কয়া চাংদম্নবা য়াওবা অমসুং অথোই অহেনগী মনা ফংলকপা লৈরগসু মদুমক্লা চাওখৎলবা মণিপুরী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি ওইবা ঙম্বদি নত্তে। মসিনা মীয়ামদা ঐখোয়গী নাৎ চৎনবীবু শক্তাকপা হৌবগী লম্বী অমবুদি ওইরে। অদুনা ফিল্ম হায়রিবা মমিগী কুম্মৈ অসিসু মায় পাক্লা থবক অমা ওইনা চথুবা ঙল্লবদি অচৌবা করবার অমদগী তাদনা চঙশিনবা য়াবা শিনফম ওইরি। মসিনা মীওই কয়াগী হিংনবগী লম্বী পীবতা নত্তনা গভর্ণমেন্টকী থবক ফংদবগী অৱাবা কোকহনবদা চাউনা শরুক য়াই। অদুবু ফিল্মগী থৌমী কয়া শিনফম অসি থাদোক্তুনা চৎখিবসু য়াওদবা নত্তে। মরমদি মণিপুরী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিনা চাওখৎপগী থাক নেম্না লৈবদগী মসিনা হিংবা য়াবা লম্বী উশিল্লক্তবননি।

'মতমগী মণিপুর' না অহানবা মণিপুরী ফিল্ম ওইখ্রবসু মতমদুদগী মণিপুরী ফিল্মগী ঈহৌ শাগৎলকখিবা ফিল্ম খরদি - ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা - ১৯৭২, ইমাগী নিংথেম - ১৯৮১, সনা কৈথেল-১৯৮৩, লাংলেন থাদোই - ১৯৮৪ (কলর), ইঙেল্লে - ১৯৯০ (কলর) নচিংবা ফিল্মশিংনি। অদুগা কুমজা ২০০২দগীদি ভিদিও ফিল্মগী ঈহৌ অমসু লাকপা হৌরকখি। মসি হৌজিকসু চথুরি। অদুবু মসিসু শিরুম-নারুমলি। 'লাম্মৈ' ফিল্মনা কুমজা ২০০২গী মে থাদগী রিলিজ তৌবা হৌরকখিবদুনা ভিদিও ফিল্মশিংদি মশীং য়াম্না পুথোরক্লি। মসিমক্লসু মণিপুরী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি চাওখৎপা ঙম্বা নৎত্রি। চাওখৎলকপদি লায়রদনা সিনেমা হোল কয়া ফিল্ম কাপ্পা লেপখ্রে। হোল মপু অয়াম্বনা ফিল্ম নত্তবা অতোপ্পা করবার তৌবরোমদা হেন্না মায় ওনশিন্নখ্রে।

অতোপ্পা লোলগী চাওখৎলবা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদি সাউথ অফ্রিকা, ইংলেন্দ, য়ু এস এ, মলেসিয়া, চাইনা, সিঙ্গাপোর, য়ু এ ঈ, থাইলেন্দ অমসুং নেদরলেন্দনচিংবা মফমশিংদা চৎলগা য়াম্না চাওনা ফিল্ম একাদেমি এৱার্দ লাম্থোকপগী থৌরম পাঙথোকপসু লৈ। ঐখোয়গী পীক্লবা মণিপুরী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগীসু মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ (এম এস এফ এ), মণিপুর ফিল্ম এৱার্দ (মনিফা), সাহিত্য সেবা সমিতি ককচীংনা পীবা এৱার্দ লৈরবসু মণিপুরী ফিল্মদি অসুম শিথরক্লি। ইমুং অমদা মৌ অনৌবী লাকপদগী অপোকপা মমা-মপা ইম্থোকপদু মঙায়রে। মণিপুরী ফিল্মগী এৱার্দ লাম্থোকপদি মীরমদা চৎলগা পাঙথোকপা ঙম্বগী থাকসু মঙদা ফাওবা মঙদ্রি। অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙবীদুনা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি অসিবু চাওখৎহনবদা শরুক য়াবিয়ু।

লমদম অসি হরাও-কুম্মৈ য়াম্না পাঙথোকপা ওইরগসু হোলদা মণিপুরী সিনেমা য়েংবীনবা মী য়াম্না লৈতে। ফিল্ম কুপ্লিবা এক্টর-এক্ট্রেসশিং অসিসু ময়ূম মকৈ পানখ্রবদি লোইরে। ফিল্মদা কয়া তোয়না উবা ফংলক্লরোই। অনৌবা থোক্লকপশিংসু ফিল্ম কূম্নিংঙি হায়দুনা পঙথোক থোরকপা তৌবীগনু। ফিল্ম হান্না কূমদ্রিঙৈদা ঐখোয়গী লৈজরিবা ইনাৎ, চৎনবীগী ওইবা ফিজোল নীংথিনা শেৎ-চাদুনা ফজহনবনচিংবা গুণশিং অসি তঙাইফদনা চেলহন্নীংই। অখঙ অহৈশিং তান্নরগা অমদি ফিল্মগী ওইবা মচৎ, ত্রেনিং নীংথিনা তম্লগা মায় পাক্লবা ফজনা চঙবীয়ু। ফিল্ম পুথোক্লিংলবসু পঙপুদা পুথোকপীগনু। মগুণ লৈবা ফিল্ম পুথোক্তুনা মণিপুরী সিনেমাবু মালেমদা শক্তাক্তুনা চাওখৎপা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি ওইরকপদু মীয়াম্নসু পাল্লম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

**অদোমগী - মোইরাংথেম দিনকান্ত**
ফুবালা


## ꯊꯕꯛ / JOB OPENING

Application is invited for Senior Officer as relationship Manager at leading Nationalised Bank enrol today.

**No. of Vacancies:15**
**Posting : Manipur**
Walk in-date :
**08-09-2022**

Qualification : Any Graduate
(Final year can also apply)
Salary : Starting Rs. 25,000 to Rs. 40,000
(with PF. Gratuity, Medication, Bonus, etc)
Age below 26 years

Contact and visit us
# 8794758218

***For more datail :***
**HRC Keishampat Opp. Oil Pump, Imphal**
***www.hrcindia.co.in***

HL-P/4012/3,6

## ꯊꯕꯛ / JOB FOR X AND XII PASS

Lairiksu tamna tamna matam manghandana thabak touba yaraba, ishagi knowledge amasung experience loinana tunggi careersu matik chana semba yaraba Multi National Organisation amagi new Branch singidamak tongan-tonganba official post 71 gidamak athuba matamda thabak koujari.

| | | |
|---|---|---|
| Qualification | : | X, XII, Graduate |
| Age Limit | : | Below 30 yrs. |
| Income | : | Rs. 5,000/- to Rs. 37,000/- (PM) |
| Visiting Hour | : | 12 noon to 3 pm. |

**NO DEPOSIT OR REGISTRATION REQUIRED.**
**All Male or Female or Freshers can apply.**

Athappa Meeoisinggidamak leipham chaphamgi facility leigani.

Apply toubiningbasingna athuba matamda contact toubiraku.

**Contact : 9774986962, 8837369704**

HL-P/3742/29/8, 2,6,12/9

**[illegible]/অমাংথোঙ মপান্দা পোম্বা অপোম্বা অদু মখুন হুৎলগা নাই চারকপা, অপোম্বা অদুনা অমাংথোঙদা চিকপা অমদি নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিলহৌ ময়োলমুক চাওবা অদু ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা মফম অনী থোক্লা পোমথোরকপা, পোমথোকপা অদুদা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌবা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান অকোয়বদু চাথৎপা, খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান অকোয়বদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা নারগা মিনট ১০ মুক লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংথোঙদগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা হেমোগ্লোবিন ৱাৎপদগী ঈ বোটল ২ কাপ্পা, খোঙ তোয়না হামদনবগী চাবা তারবসু খজিক্তং ওইনা চাবা খোঙ তোয়না হামদনবা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা অৱাবা অমা ওইবা মরমদি অমাংথোঙদা নাবা অমদি ঈ তারক্কনি খনবদা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংথোঙ মনুংদগী তিলহৌ ময়োলগুম্বা অমা নাম্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা খূৎনা অমুক ইনখৎখিবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **M. Purnima Devi**
Ningthoukhong

HL-B/7796/6


## GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE FOR OBJECTION**
**Dated, the 05-09-2022**

**No.1/prop/SR/2021(IE):** It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from the **Takhenchangbam Progressive Society** on 05/09/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rule, 2004 within the area of operation of Wangkhei and Bamon Leikai, Imphal East District.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **S. Mahendra Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/4025/6


## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7793/11/8-11/9


## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU

**Ref. Mutation Case No. 412/SDC/Sugnu of 2022 Date 29/08/2022**
App :- J. Louis Baite S/o (L) Ngamjang Baite of Sugnu Tribal.
-Vs-
Opp :- (Late) Ngamjang Baite S/o Hemkhajang Baite of Sugnu.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**
Dated, 02/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 91- Sugnu পাট্টা নং 998 দাগ নং. 2469 এরিয়া .25 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/3770/6

## OFFICE OF THE CONVENOR TO THE ELECTION OF MANAGING COMMITTEE MEMBERS AND OFFICE BEARER OF THE IMA IBEMA KHUNTHOKHANBI THOUGAL MARUP, COOPERATIVE COMPLEX (LAMPHELPAT)

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION**
Imphal, the 5th September 2022.

N0.1/ELECTION-CONVENOR-IIKTM/2022: It is informed to all the renew / valid / eligible members (i.e for the year 2022-2025) of "The Ima Ibema Khunthokhanbi Thougal Marup" that a **Special General Body Meeting** is call at Ima Ibema Khunthokhanbi complex, Thangmeiband, D M college / D M-University gate at **10:00 A.M. on 22-09-2022**, for the **election of Managing Committee Members and Office Bearer as agenda** of the said meeting.

Whereas any information regarding the election may contact Office of the Returning Officer (open at the office of Deputy Registrar of Societies, Imphal West, Lamphel) from 10 A.M to 3 P.M on all working days till the completion of election process. Further, any individual / devotees of the Ima Ibema Khunthokhanbi from Thangmeiband area who are willing to volunteer on the day of meeting can collect volunteer's form on **14 to 16 September 2022** from the office of the convenor, open at the office of Deputy Registrar of Societies, Imphal West, Lamphel from 11a.m to 2 p.m and submit to the undersigned on or before **3 p.m, 16-09-2022** along with

1. 2 (passport size) photographs
2. A valid ID card Xerox with self attested.

N.B: All eligible members shall show their renewal receipt as a token to attend the meeting. Substitutions of members are not permitted. An authorized ID card is to be issued by the undersigned for volunteers as an identity card to enter the meeting venue.

Sd/- **P. Herojit Singh**
Convenor,
Election of Managing Committee Members,
and
Office Bearer,
Ima Ibema Khunthokhanbi Thougal Marup

HL-P/4030/6

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

**Ref :- Misc. Case No. 69/SDC/Bishnupur of 2022.**
Thounaojam Rajivkumar Singh S/o (L) Th. Sangai Singh of Nambol Ward No. 6. -Petitioner
-Vs-
Thounaojam Narjit Singh S/o (L) Th. Sangai Singh of Nambol Ward No. 6. -OP

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**
Bishnupur, the 23rd August, 2022

হৌখিবা তাং ০৯/০৭/২০২২ থাংজ, Hueiyen Lanpao (Local Daily News Paper) Issueগী Page No. 10 - Column 7 দা হাপখিবা Ref. Mutation Case No. 220/SDC/Bishnupur 2022 Notice কী Column দা হায়রিবা ফৌরেল লৌফম অসিদা Thounaojam Narjit Singh S/o (L) Sangai Singh পনখ্রিবা অদু Thounaojam Rajivkumar Singh S/o (L) Sangai Singh হায়না পানগদবনি। মরী লৈনবা চে-চাংশিংদা Rajivkumar গীদা লৈরে। Pattadar Th. Narjit Singh লৈখিদ্রে হায়রিবসি হিংলি। মীং অনীসি অমত্তনি। মমাংগী Ref. Mutation Case No. 220/SDC/Bishnupur 2022 অসিগী মহুত্তা Mise Case No. 69/SDC/Bishnupur 2022 দা Pattadar Thounaojam Narjit Singh গী মহুত্তা Thounaojam Rajivkumar Singh of Nambol Ward No. 6 ওইগদবনি হায়না শেঙদোকচরি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/3739/6


## ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ / WANTED

SKILLED LABOUR & HELPER FOR TYRE RETREADING WORKS JOB.

| Sl.No. | Post | Vacancy | Experience | Salary/Negotiable |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Skilled Labour | 10 | 2 years | 10K to 25K |
| 2. | Helper | 5 | Nil | 5K to 8K |

***Document Required :-*** Bank Details, Aadhaar card xerox copy. Only Male Candidate and should be Domicile of Manipur State. Weekly salary payout policy. Age 18 to 35.

***Contact :-*** **N. TENNYSON** M/s SHITOVA TYRE RETREADER & SERVICE

Authorised Franchisee of Elgi Rubber Company Limited. Kooltread Precured Retreading System. H.O. Sagolband Tera Bazar Imphal West- 795001.

HL-P/3754/1-7/9


## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref. Mutation Case No. 203/SDC (WKG) of 2022**
**Date : 05/09/2022**
App :- Shamjetshabam Tombi Devi W/o Shamjetshabam Babu Singh of Thongjao Awang Leikai.
-Vs-
Opp :- (Late) Shamjetshabam Babu Singh S/o (L) Nimai Singh of Thongjao.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**
Dated, 05/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 74-Thongjao পাট্টা নং 534/898 দাগ নং. 377/431 এরিয়া .63 একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/4027/6

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref. Mutation Case No. 198/SDC/(WKG) of 2022**
**Date : 01/09/2022**
App :- Yuthung Isaac Chothe S/o Yuthung David Chothe of Chandrabodo Village.
-Vs-
Opp :- (Late) Jomal Chothe S/o (L) Harichothe of Chandrabodo Village.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**
Dated, 01/09/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 74-Thongjao পাট্টা নং 113/106 দাগ নং. 2042 এরিয়া 3.62 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/3768/6

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।